# খ্বাইদগী নহা ওইনা মমিং লৈরক্লিবী এক্ট্রেস ফ্লোরেন্স পুগ

- *নানি*



ফ্লোরেন্স পুগ মশাগী চহী ২৪ খক্তং শুরি। য়াম্না নহানি। আর্টতদি নহা হায়বা অহল হায়বা লৈতে, মহাক মশাগী হৈ-শিংবা অমদি হোৎনবা অদুনা কৈদৌনুংদা লোৎপা ঙমদে। অদুনা মায় পাকপশিংগী মরক্তা অদুম য়াওহল্লকই। ইংলেন্দগী ওক্সফোর্দ হায়বা মফম অদুদা কুমজা ১৯৯৬ কী জান্যুৱারী ৩ দা পোকখি। মহাক্না লৌশিং তারকপা মতমদদি মখোয়গী ময়ূম অসি স্পেনগী সোটোগ্রান্দে হায়বা মফম অদুদা হোংলকখি। অপোকপী মমা দেবোরা মমিং লৈবী দান্সর অমনি। মহাক্কী মবুং তোবী সেবাষ্টিয়ন হৌজিক মীয়াম্না খঙনরিবা এক্টর অমদি ম্যুজিসিয়ন অমনি। মহাকপু পোকপা মপাদি ইচম চন্বা রেষ্টোরা অমা হাংলগা লৈজবা মীশক অমনি। মহাক্কী এক্টিংগী করিয়র অসি মশাগী চহী ৬তমক ঙাইরিঙৈগী মতমদগী হৌরক্লে হায়না রেকোর্দ তৌরি। কুমজা ২০০৭ তা মহাক সেন্ট এদৱার্দ'স স্কুল, ওক্সফোর্দতা তমখি। মতমদুদা স্কুলগী ওইবা থিয়েটর অমা উৎপদা মহাক অহানবা ওইনা শরুক য়ারকখিবনি। তশেংবদি মহাক অরিবা মতমগী ৱারী দ্রামা অমদি কোমেদি অসি য়াম্না পামজনা হৌরকখি।

অসুম্না তপ্না-তপ্না থিয়েটরগী লম্দা চঙশিল্লকপনা ইহান হানবা ওইনা ফিল্মদা শরুক য়ারকখিবদি কুমজা ২০১৪ দা পুথোকখিবা *দি ফোল্লিং* হায়বা অসিদনি । ফিল্ম অসিদা য়াম্না হৈ-শিংবা প্রিকোসিয়স টিনএজর অমগী রোল লৌখি। ফ্লোরেন্সকী খ্বাইদগী লাইবক ফবদি নৌনা ফিল্মদা চঙলকপশিংগী মনুংদা পীবা বেষ্ট বৃটিশ ন্যুকমর এৱার্দ ফংবা ঙমখি। লোয়ননা লন্দন ফিল্ম ক্রিটিক্স' সর্কল এৱার্দসু বেষ্ট য়ঙ বৃটিশ পর্ফোর্মর কেটেগরিদা ফংবা ঙমখি। মসিদগী হৌনা মহাক্কী ফিল্মগী লাইন অসি য়াম্না ময়েক শেংনা চঙশিল্লকপা হৌরকখি। কুমজা ২০১৫ তগী ফিল্মদা খোঙ থাংজিল্লকখিবা এক্টর অসিগী ইহান হানবা ফিল্মদি দি ফোল্লিং হায়বা অসিনি, ফিল্ম অসিদা ইরিক মেক্কোর্মেককী ওপ্পোজিটতা কুমখি। ফ্লোরেন্সপু হেন্না মমিং চৎহনখিবদি ৱিলিয়ম ওলদ্রোইদকী ফিল্ম লেদি মেকবেথ (২০১৬) হায়বা অসিদনি। ফিল্ম অসি রিলিজ তৌরবা মতুংদদি স্ক্রিন ইন্টরনেসনলনা মহাকপু ষ্টার ওফ টুমোরো হায়বা মিংথোল পীদুনা লাউথোকখি। ফিল্ম অসিদা মহাকপু জরি পেনেলশিংনা খনগৎতুনা বৃটিশ এৱার্দ ২০১৬ অমদি দি দুব্লিন ফিল্ম ক্রিটিক্স সর্কল এৱার্দ ফোর বেষ্ট এক্ট্রেস ২০১৭ হায়বা অমসু দুব্লিন ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিবেলদা পীখি। চহী অসিমক্তদা মমিং লৈরবা প্রোফেসনেল রেষ্টলর পাইগেগী পূন্সিদা যূন্ফম ওইবা ষ্টেফেন মর্চেন্টনা ইবা অমদি দিরেক্সন পীবা *ফাইটিং ৱিথ মাই ফেমিলি* হায়বা ফিল্ম অমগী লিদ রোল কুমদুনা শুটিংগী থবক লোইশিনখ্রে। কুমজা ২০১৮ গী অঙনবদা রিলিজ তৌখিবা *দি কম্প্যুটর* হায়বা ফিল্ম অমদা লিয়ম নীসনগী ওপ্পোজিটতা কুম্বা ফিল্ম অমসু রিলিজ তৌখি। অতোপ্পা ফিল্ম *আউটলো কিং* হায়বা অমসু পোষ্ট প্রদক্সনগী থাক্তা রিলিজ তৌখ্রে। মখা তানা হোরোর ফিল্ম *হেরিদিটরি* হায়বা মমিং লৈরবা দিরেক্টর এরি এষ্টরগী ফিল্ম অমগী এসাইনমেন্ট ফংখি।

রাইজিং ষ্টার ফ্লোরেন্স পুগ থিয়েটরগী লম্দসু য়াম্না পামজবা অমদি থিয়েটরদা থৱায় য়াওজবা মীশক অমা ওইরকখি। মমিং লৈরবা দ্রামা কিং লিয়র, মার্সেল্লা হায়বা অসি টেলিভিজন ফিল্ম ওইনা পুথোকখি। আর্ট হায়বা অসিদদি নহা-অহলগী ৱা থোইনা লৈতে। ফ্লোরেন্স য়াম্না নহা ওইরিবা এক্টর অমনি অদুবু মহাক্কী ইমুং মনুংগী কলচরদা আর্ট এক্টিং হায়বা অসি পীশক পীক্লিঙৈদগী হৌনা লোয়নরক্লবনিনা তোপ-তোপ্পা মশাগী ওইবা হেবিচ্যুএল অমসুং শেমগৎপা ঙম্লকখিবনি। ঙসিদি ফ্লোরেন্স মীয়াম্না খঙনবদগী হেন্দোক্তুনা তুংদা য়াম্না অৱাংবা থাক্তা লাকখিনি হায়না থাজবা থল্লি। নুংঙাইরিবদি মহাক্কী মবুং ওবি সেবাষ্টিয়ন হায়বা মশাগী চহী ২৬ খক্তং ঙাইরিবা অসিসু নীংথিজনা ঈশৈ শকপা অমদি ম্যুজিসিয়ন অমনি। কুমজা ২০১৩ দা মশাগী ম্যুজিক এলবম অমা মায় পাক্লা পুথোকখ্রবা মতুংদা মহাকপুসু মীয়াম্না খঙনবা হৌরকখিবনি। অসিদা নৎতনা *গেম ওফ থ্রোন্স* হায়বা ফিল্ম অমদা কুম্বা হৌখ্রে। অদুবু ফিল্মদদি মহাক্কী ওইবা এৱার্দ অমদি থোইদোকপা অখন্নবা রিকগ্নিসন অমদি ফংবা ঙমদ্রি। তোবী স্কুলগী থাক্তা পাঙথোকপা দ্রামা কয়াদা শরুক য়ারকখি। মহাক্কী অপান্বসু এক্টিং তৌবা অসিনি। নুংঙাইরিবদি






মমিং লৈখৎলক্লিবী রাইজিং ষ্টার ফ্লোরেন্সসু খোঞ্জেল য়াম্না ফজে, মহাক ঈশৈ শকপদা য়াম্না চঙখোনবা মীশক অমদি ওইরি, অদুবু ঈশৈবুদি এক্টিং তৌবনা হেন্না পামজৈ হায়না মশানা ফোঙদোক্লি।

ফ্লোরেন্সকা মহৈ তম্মিন্নরকপী মমান্নবীশিংদি হৌজিক মশাগী করিয়র শেম্নবা গ্রেজ্যুএসনগী থাক্তগী থোইদোক্লা অমত্তা হেন্দ্রি। অদুবু মহাক্তি মীয়ামগী মীনুংশি, মীয়ামগী রিকগ্নিসন অমদি ইকায় খুম্ননিংঙাই ওইরবা এৱার্দ কয়াগী মেদলনা মাগী ঙকশমদা শিদুনা লৈরি। লেদি মেকবেথ ফিল্মদা মহাক বৃটিশ ইন্দিপেন্দেন্ট ফিল্ম এৱার্দ, য়ুরোপিয়ন ফিল্ম এৱার্দ ফংখ্রে। ফিল্মদা খোঙদাখিবদগী মহাক্কী নহা ওইবগী পূন্সি মহিং অদু থাদোক্তুনা সেরিয়স লাইফ অমদা মাংদা চঙশিল্লি। ফিল্ম নৈনবশিংনা ফ্লোরেন্স অসি মথংগী কেটি ৱিনস্লেটনি হায়না ফাওবা হায়নরিবনি। গিফ্টেদ এক্টর অমদি হায়না শীংথানরিবী ফ্লোরেন্স পুগকী ফিল্ম- দি ফোল্লিং, দ্রিমস ওফ লাইফ, গেম ওফ থ্রোন্স, হেভনলি ক্রিএচরস, হেঙ্গিং রোক থোইদোক্লা শীংথানবা য়াবা ঙাক্তা ওইরি। লা লা লেন্দ হায়রিবা ফিল্ম অসিদসু মহাক লন্দন ফিল্ম ফেষ্টিবেলদা বেষ্ট বৃটিশ ন্যুকমর এৱার্দ নোমিনেসন ফংখিবনি।

য়াম্না নহা ওইরিবী ফ্লোরেন্স মালেম অসিগী মীপূম খূদিংমক্লা করি ওইরক্কদগে হায়না ঙক্লা য়েংনরিবা এক্টর অমা ওইরক্লে। য়াম্না নুংঙাইরিবদি ফ্লোরেন্সনা মঙোন্দা লাকপা এসাইনমেন্ট খূদিংমক তরাইনা লৌদে। মহাক্লা লৌগদৌরিবা রোল অদু হান্না মমুৎ তানা খঙলবা মতমদা লৌই। অদুগা মঙোন্দা য়াম্না চেলেঞ্জিং ওইবা কেরেক্টর অদুদমক মহাক্লা এসাইনমেন্ট পী হায়রি। অদুগুম্বা কেরেক্টর অদু প্রি-শূটিংদা হান্না অখঙ-অহৈ কয়াগা মমুৎ তানা তান্নে, অদুগা মশাগী ওইবা মশক থোকপা রোল অমা করম্না পোর্ট্রেট তৌবা ঙমগদগে হায়বা অসি খনবা হৌই। মসিগী মতুংদা ফিল্ম অদুগী দিরেক্টরগা লোয়ননা অমুক কুপ্না খন্নরগা দিরেক্টরগী অপাম্বা অমদি মহাক্কী অপাম্বা অনীমক খঙদোক্নরগা ফিল্ম অদুগীদমক মায়কৈ অমা লেপ্পবা হোৎনৈ। অমরোমদা ফ্লোরেন্সকী এদভাইজর অমদি মহাকপু চৈঙাক পীরিবশিংনসু মহাক্কী লৈরিবা ষ্টেটস অসিদগী হন্থদনবা অকনবা থৌরাং লৌখৎলি। ফ্লোরেন্স পুগ মশানসু কন্না হোৎনদুনা অখন্নবা কেরেক্টরশিংদা মায় পাক্নবা হোৎনরি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৯।০৪।২০২০ ইং, নোংমাইজিং; শজিবুগী ২৭ নি পানবা

**মেষ :** লৌশিং চংখোনবা ৱাৎলি অদুনা অরুবা ৱাফমদা ৱা তুপথোক্তবা ফগনি। ইমুং-মনুং ঈংনা পানগনি, মীচং লৈ অমদি লেংদবা লনদি থোইনা চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

**বৃষ :** লৌথোক চাথোকনিংবা য়াম্মী অদুনা মীনা ইনশিনবা খন্থদনা লৌগনু। ৱাখলদি লৈগনি অদুনা পূক্নিংদা ফাওরকপা অফবা থবক্তি চিংনদনা পাংবা য়ারগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা লুম্না লৌবিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মিথুন :** চরাংনবনা নথক থোংবদা লংজবা ওইনা থোক্কনি অদুনা মরম চাই চাদে খন্দনা হোয়া ফগনু। শোক পনবা য়াবা লৈ-ফিংগনু অমদি মরুপ থাজবসু লুগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাঙাঙ হৈত্রদি চোপকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কর্কট :** অথোইবা লৌশিং লৈবা, নথক থোংবনা চানবীবা অমদি য়েক্লবা লৈরম্বসু লায়না লাকশিনবা ঙমবা নুমিৎনি। অরং-অরাক ফংবগুম মীনা ইকায়খুম্নবীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংবা ৱাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**সিংহ :** নীংবা শোইদনা থুংগনি, চাদিং হন্থগনি অমদি মীয়াম্না পামগদবা থৌ পাংবগী নুংঙাইবসু লৈগনি। অনম তানবনা মথক থোংবগা মুক্নবা মরম ওইরক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবগী মপাউ তাজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**কন্যা :** পন্দুনা লৈরুবা লন ফংবগী নুংঙাইবা অমদি খন্থরগা পায়খৎপা থবক থৌরম শোইদনা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। অনম তাল্লগা নুংশাথিবা য়ৌনা য়েক্লগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

**তুলা :** খাংবা কন্দবা, নচা ননাইনা য়েৎপা, পোরম শোইবনা লাইবক থীবা য়াবা অমদি মফম চাদনা থৌনা ফবনা য়েংথীনবা য়াবসু লৈ-তপথৌ, য়াকা য়েংনা চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী - মতম ঙাইবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**বৃশ্চিক :** মরুপ-মপাংগী মতেং শোইদনা ফংগনি অমদি নঙগী ওইবা মীশিংনা থোইনা নঙগীদমক লেপকদবা নুমিৎনি। পংথরদি লন ময়েং তাগনি-খন্থদবা তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - য়েক্লবনা মাঙহনগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**ধনু :** লাইবক ফবনা অফবা মফমদা নুংঙাইনা লৈজবগী নুংঙাইজৈ অমদি শেল-থুমগী থবক্তা পূক্নিং নুংঙাইজৈ। পাইরক্কী লৌশিং শোল্লি অমদি য়েক্লবা মরাং কাই।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মকর :** হেন্না অশা চাওবা অমদি ইমুং-মনুং ৱা তানবা ৱাৎপনা নচাক নরল মাঙবা য়াবা লৈ। খোইরাংবা অমদি ঙাঙথোকনিংবা লৈবসু ফাথবদি য়াম্নমক মরু ওইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - পূক্নিং ফাথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।


**কুম্ব :** হরাওবা, মীচং হেনগৎপা, ৱাখল নুংঙাইবা অমদি য়েক্লবা লৈরম্বসু লাকনিংবা ঙমজবা নুমিৎনি। অদুবু কাইনবগী নুংঙাইতবা অমদি চয়েৎনবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক খজিক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

**মীন :** লন মরাং কাইবগী নুংঙাইবা, পল্লম্বা থবক পাংবগী নুংঙাইজবা অমদি লোৎতুনা লৈবা লৌশিংসু ফুদোকপা ঙমজবা নুমিৎনি। নুংঙাইতবা পাউদি তাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।


থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।



Title: Scenery
By: Sweety Thiyam
Class: IV Sec: B Roll No. 95
School: Regular English High School




Title: House
By: Katy Thoudam
Class: I Sec: A Roll No. 29
School: Regular English High School



Title: Beautiful Bird
By: Nganthoi Thoudam
Class: V Sec: Roll No. 7
School: St. Peter's High School




Title: Scenery
By: Parnika Mutum
Class: I Sec: A Roll No.
School: Tolchou Memorial Academy




Title: A Landscape Scenery
By: Saileshkumar L.
Class: IV Sec: B Roll No. 16
School: Kids' Foundation




Title: Fox
By: Trishil Laishram
Class: I Sec: Roll No.
School: Sl Arena of Learning




Title: Bird
By: Trisini Laishram
Class: I Sec: Roll No.
School: SL Arena of Learning



Title: My dreamland
By: Uwang Ayekpam
Class: V Sec: B Roll No. 11
School: Kids' Foundation



Title: A dog
By: Yugeshwari Athokpam
Class: IV Sec: A Roll No. 38
School: Kids' Foundation



Title: A Bird
By: Chareihan L.
Class: III Sec: Roll No. 9
School: Tolchou Ibeton Memorial Academy



Title: Doraemon
By: Imtiyaj Hussain
Class: V Sec: A Roll No. 8
School: Kids' Foundation



Title: Flower
By: Jirija
Class: II Sec: A Roll No. 26
School: Smart Universal Academy